# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 18-07-2024)**

**বাইও (এল)ঃ** ম্যান্মলোমদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা বাইওমেত্রিক লৌবগী থবক মায় পাকা চত্থবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংবু অমসুং মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঙরাং তেংনৌপলগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা লুচিংবা, মোরেগী এস.দি.ও, মঙাশুবা অসাম রাইফলস অমসুং মোরে পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. য়াওবা অপুনবা কাংবু অমনা গোবাজাং ভিলেজদা মীতোপশিং চেক তৌবগী থবক চত্থবদা ম্যান্মার মচা ২৪ মশক খঙদোকপা ঙমখি। তুংদা, মখোয়গী বাইওমেত্রিক লৌখি। মীতোপশিং খনদোক্তুনা বাইওমেত্রিক লৌবগী থবক অসি মখা তানা চত্থখিগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

**ককচিং (এল)ঃ** কেন্দ্রগী কম্ম্যুনিকেসন অমদি রুরেল দিবলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: পেমাসনি চন্দ্র সেখর ঙরাং ককচিং জিলাদা লাঙ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নদুনা অৱাৎ অপা য়েংশিনখে।

মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা জিলা অসিদা শেমগৎ শাগৎলিবশিংসু য়েংশিল্লমখি। শ্রী পেমাসনিনা ঙরাং জিলা অসিগী ফৌশুপাৎ লৈকাইদা নৌনা শাবা লোইরবা ককচিং পোষ্ট ওফিসকী ওফিস বিল্ডিংসু শঙ্গারমখি। থৌরমদুদা নোর্থ ইষ্ট সার্কলগী চীফ পোষ্ট মাস্তর জেনরেল-সনজিব রঞ্জন শরুক য়াখি। তুংদা, ককচিংগী এম.এল.এ. ময়াংলাংবম রামেশ্বর, জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার, এস.পি. অমদি অতৈ ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা জিলা অসিগী শেমগৎ শাগৎলিবশিংগী মতাংদা জিলা অসিদা লৈরিবা বি.এল.ওশিংগা ভিদিও

কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নখি।

অমরোমদা, মন্ত্রিনা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টর-ককচিং, পি.এম.জি.এস.ৱাইগী মখাদা শেম্বা লোইরবা ককচিংদগী লাংমৈদোং ফাওবগী লম্বী, লাংমৈদোং মমাং অৱাং লৈকাইগী পি.এম.এ.ৱাই. স্কিমগী মখাদা শাবা লোয়শিল্লবা য়ুমশিং, অজাদি কা অমৃত মহোতসবকী মখাদা শেমগৎখিবা লাংমৈদোং গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুং চন্না লৈবা পুখ্রি য়েংশিলমখিবগা লোয়ননা লাংমৈদোং রিলিফ কেম্প, খা মনিপুর রিলিফ কেম্প অমদি কল্যান আশ্রম রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখি।

**কলেজ(এল)ঃ** নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ গী মখাদা রাজ্য অসিগী কলেজশিংদা অনৌবা চৎন-কাঙলোন কয়া হাপচিন্নবা রাজ্যগী এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা থবক লৌখৎপা হৌরে।

হয়ার এন্দ টেকিকেলগী কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকার অমসুং এদেদ কলেজ ৫১ দা অনৌবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলগনি। মদুগী মনুংদা কলেজশিংদা নুমিৎ ১৫ নিদগী ২০ ফাওবা এসেমব্লি পাঙথোক্কুনা জাতিগী ঈশৈ, রাজ্যগী ঈশৈ অমসুং অতৈ এক্তিভিটিশিং পাঙথোকপা, চাদা ৭৫ দগী হন্থনা স্কুল কাবা মহৈরোইশিং পরিক্ষা থাবা য়াহনদবা অমসুং স্কোলারসিপ পীদবা য়াওরি। কলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিংনা ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংগী এটেনদেন্স নাংথিনা য়েংশিনগদবনি। হায়রিবশিং অসি য়েংশিন্নবগীদমক য়ুনিভরসিতি এন্দ হয়ার এদুকেসনগী দাইরেক্তরনা কমিতি অমা শেল্লগনি হায়রি।

**থৌবাল(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী হয়েল লৌবুককী চহি ৬০ গী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবশিংদা প্রোটিন, আইরন অমদি ভিটামিননচিংবা হেলথ কিডশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-থৌরম অদু মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম.এল.এ. কৈশাম মেঘাচন্দ্র অমসুং ৱান হোম ফাউন্দেসন ৱাংখেম কেন্দ্র অনিনা খুৎশমরগা কোরপোরেট সোসিএল রেস্পোন্সিবিলিতি ইনিসিয়েটিবকী মখাদা ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদনা তেংবাংলগা য়ুনিট ওফ সাইন্স এন্দ এদুকেস্লে দিবলপমেন্ট অমসুং আই.আই.টি. কানপুরনা শিনবনি।

হয়েল লৌবুক অপ্পর প্রাইমারি স্কুল লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খুল অদুগী অহল ওইরবা মীওই ১১৮ দা হায়রিবা হেলথ কিডশিং অসি য়েন্থোকখি।

**বোম (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লাইরেঞ্জম অৱাং লৈকাইদা লৈবা মীওই অমগী য়ুমদা বোম থমজিল্লম্লে হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং পুং তরুক মখায়রোম তাবদা শকখঙদবা মীওই অমা লাক্লগা হেন্দ গ্রেনেদ অদু থমজিল্লম্বনি। বোম অদু পুলিসনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

**লম্বী (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী দিনথালোং অমদি ন্যু কনান্দ ৱার্ডকী নহাশিংনা দিনখালোংদগী তমেংলোং কলেজ ফাওবগী লম্বী শেমজিনখ্রে। ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী-রিংবম কামৈনা হায়-হৌখিবা থা খরা অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইরগা তমেংলোং বজারগী লম্বী অমদি অতৈ লম্বী খরা ফিভম ফৎচিল্লক্তবনা খুলগী মীওইশিং থোরক্তুনা লম্বী শেমজিনবগী থবক অদু চথখিবনি। ঙরাংসু ওটো রিক্সো এসেসিয়সন-তমেংলোংনা রাণি গাইদিনলিয়ু ৱিমেন মার্কেটতগী তমেংলোং বজার ফাওদুনা এপোলো বজার ফাওবা লম্বী শেমজিনখি।

**হেলথঃ** কেন্দ্রগী হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-

ভারত্তা পুথোক্লিবা হিদাক লাংথকশিংগী মগুন মালেমগী থাক য়ৌননবা হোৎনসি।

ঙরাং দ্রগ, কোসমেটিক অমদি মেদিকেল দিভাইস রিগুলেসনগী মতাংদা হন্না য়েংশিনবগী মীফমদা মন্ত্রিনা সেন্ট্রেল দ্রগ ষ্টেন্দরদ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসনদা রোড মেপ অমা য়েক্তুনা অককবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অসিদা পুথোক্লিবা হিদাক-লাংথকশিংগী মগুন মালেমগী থাক য়ৌননবা হোৎনসি হায়না ফোংদোকখি। মহাকা হায়-দ্রগ রিগুলেটরি বোদি অমদি হিদাক লাংথকশিংগা মরী লৈনবা ইন্দষ্ট্রিজশিংনা য়ামা থম্মোয় শেংনা থবক তৌগদবনি। মীফম অদুদা মাইক্রো স্মোল অমদি মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংসু মরি লৈনবা ওফিসিএল অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংনা য়েংশিনদুনা মখোয়গী মতেং পাংননবা শ্রী নদ্দানা ওফিসিএলশিংদা খঙহল্লি।

**হরিয়ানা ঃ** হরিয়ানা সরকারনা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক লৌবদা অগাবিরশিংগীদমক চাদা ১০ খাক্তুনা থম্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

চান্দিগরদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নায়গ সিংহ সাইনিনা ৱাফম অসি লাডথোকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অদুগী ওইনা পুলিস কন্সটেবল, মাইনিং গার্দ, ফোরেষ্ট গার্দ, জেল ৱারদেন অমসুং এস.পি.ওশিংগী থবক লৌবদা অগাবিরশিংগী চাদা ১০ খাক্তুনা থমলে। মসিগী মথক্তা গ্রুপ (দি) গী রিক্রুইটমেন্টতা অগাবিরশিংগী ওইনা চহি অহুম ফাওবা কোমথোক্কনি। অদুমওইনমক, অহানবা বেটচকী ওইনদি চহি মঙা কোমথোক্কনি। মসিগী মথক্তা গ্রুপ (সি) গী পোষ্টশিং লৌবদা অগাবিরশিংগীদমক চাদা ৫ অমসুং গ্রুপ (বি) গী পোষ্টশিংদনা চাদা অমা খাক্তুনা থমগনি হায়রি।

**দামোদর ঃ** দামোদর ভেল্লি কোরপোরেসন (দি.ভি.সি) গী মতাংদা কেন্দ্রগী

পৱার মন্ত্রি-মনোহর লাল খতরনা ঙরাং অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা কোলকাতাগী দি.ভি.সি. হেদক্কাটরসতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা মন্ত্রিনা হায়-কোরপোরেসন অসি ভারতকী ওইনা অহানবা রিভর মল্টি পরপজ প্রোজেক্ট ওইরি অমদি মসিনা লৈবাক অসিগী চাডখৎপগী লমজেলদা চাউনা মতেং পাংলি। মীফম অদুদা দি.ভি.সি. চেয়ারমেন-এস. সুরেস অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

## ---নিডজ পেপর হেদলাইন্স---

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-মেরাংগীর মীশিগী মতাংদা কোকোমি, য়ু.এন.সিনা সি.এম উন্নখ্রে, চেন্নবা খুদিংমক লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগনি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-জলাইগী অরোইবা শরুক্তা প্রাইম মিনিস্তরনা বি.জে.পিনা সাসন তৌবা ষ্টেটশিংগী সি.এমশিংগা মীফম পাঙথোক্কদৌরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-সেক্যুরিতি নিংথিনা পীদ্রবা, শেল খায়বা লেপহনদ্রগদি থাউ চিংলরোই হায়বা ট্রান্সপোর্টরশিংগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। খুৎলায় পায়বশিংদা ট্রান্সপোর্টরশিংনা চহি অমদা ক্রোর ২২ নমদুনা পীহল্লে হায়বা সব হেদলাইন অমসু পীরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-কছারদা কুকি জো মার মিলিটেন্ট অহুম হাৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-গভরমেন্টনা থম্মোয় শেংনা শান্তি পাল্লবদি মিনিস্তর, এম.এল.এশিং হান্না তিন্নবিয়ু, মখোয়গা অমত্তা ওইনা শমবীয়ু হায়বা কংগ্রেসকী সি.ডব্লিয়ু.সি. মেম্বর-গাইখাঙমগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মহৈরোইশিংগী দিমান্দ নেসনেল ইশু ওইনবা থবক

পায়খৎলগনি হায়বা এন.এস.য়ু.আইগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-মীয়ামদা য়েংহন্নবগীদমক লন্দনগী ভিক্তোরিয়া এন্দ অলবর্ট ম্যুজিয়মদগী মহারাজ ছত্রপতি সিবাজিনা পায়রমখিবা খুৎলায় মুম্বাইদা পুরকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২২ গী মখাদা মহৈরোইশিংগী এটেন্দেন্স চাদা ৭৫ ওইননবা সরকারনা থবক পায়খৎকদৌরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-জিরিবামগী মতাংদা এক্সন টেকন রিপোর্ট পীখৎলকবা দি.জি.পিদা খঙহনখ্রে হায়না অহানবদা লামাইদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-মনিপুরদা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনবদা অসাম রাইফলসনা লৌরিবা থৌদাংবু গভনরনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-মেরাংগীর মীশিগা মরী লৈননা চেন্নবা মীওই অমা ফারে হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-মেঘালয়দা চংল্লকখিবা চে-চাং শুনা য়াওরমদবা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর লিশিং ২,৫০০ গী মথক্তা মরমদমদা হলহনখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-চিরু ত্রাইবকী মীওই অমা হাৎখিবদুবু য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল অমদি কোকোমিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে, মাহাৎ অসিগী অচুম্বা পুথোকবা তকশিল্লি হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা মনিপুরদগী অহানবা ওইনা সুপ্রিম কোর্টকী জজ খল্লকখ্রবা জষ্টিস এন. কোতিশ্বরবু গভরনর-অনুসিয়া উইকে অমদি চীফ মিনিস্তর বিরেন সিংহনা থাগৎপা ফোংদোকখ্রে হায়না ফোংলি।

দা চমদা-মেরাংগীর চিরু মীশিগী ৱাথোক নাগা কষ্টমরি লোগী মখাদা লোয়শিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মোরেদা জোইন্ট ওপরেসন চথবদা ম্যান্মার রিফ্যুজি ৬০ থেংনখ্রে হায়না ফোংলি।